ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯟ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ০৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৭৩শুবা মশীং

## অউবশিংদি ঈকায়বনা শিরে

### লমদম্নরক্তনবা থবক লৌখৎহৌফম থোকই

জবাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী কোভিদ ৱার্দতা জুন ৫, ২০২১গী নুমীদাংদা থোকখ্রিবা থৌদোক্তুবু করিনো? মমাঙ থাগী অরোইবা চয়োলদগী লায়েংশঙসিদা এদমিট তৌদুনা লায়েংলকখিবী মশাগী চহী ৩৩ রোমদমক শুরবী মৌনহা অমা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং মচলনুপীনা ৱার্দতুগী অনা-লায়েংগী পোৎলমশিং থুগায়দুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। পেসেন্টশিংবু ফগৎহন্নবগীদমক লায়েংলিবা ডোক্তরশিংবু 'মেন-হেন্দল' তৌবগী থৌদোকনি হায়বনি। থৌদোক্তু থোকখিবগা পুলিস লাক্তুনা কন্ট্রোল তৌখি। অদুগা মথংগী নুমীৎ জুন ৬, ২০২১ দনা থৌদোক্তুদা চেন্নবা মীওইশিং, মখোয়গী অহল-লমনশিং অমসুং জেনিমসকী ওথোরিটিশিংগগী মরক্তা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা অকাই-অতোয় থোকখ্রবা লায়েংশঙদুগী পোৎলমশিংদু শিংলগে হায়রকপগা লোয়ননা লাল্লে ঙাকপীয়ু হায়জরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লে হায়বনি। নাকল অনীগী মরক্তা এমিকেবল সোল্যুসন অমা পুরক্তুনা য়াশিন্নখিবা অদুগী কমপ্রোমাইজিং স্পিরিট অদুবুদি য়াম্না ফৰা থবক্লি। তৌফম থোকপদগী তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি ক্রাইম কম্মিট তৌরুবা ক্রিমিনেল অমগা নৎত্রগা ওফেন্স অমা তৌরুবা ওফেন্দর অমগগী মরক্তা য়াশিন্নজরে হায়রগা হেক্তমক য়াগদ্রা হায়বসিনি। মরমদি জেনিমসতা থোকখ্রিবা থৌদোকসিনা মণিপুরদা থোকপা অহানবা থৌদোক নত্তে। মমাঙথক্তা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) য়াওনা গভর্ণমেন্টকী হেল্থ ইনষ্টিট্যুসনশিং অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটাল অমসুং ক্লিনিকশিংদা মসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুংদতা থোকহন্নিংদবা থৌদোক্লি হায়বা, কন্দেম তৌবা থৌদোকশিং মশীং লাকঙমদনা থোকখ্রে। অদুগা থোকখ্রবা মতুংদনা শুরু-শুরু নৈশিল্লগা তোকখিবা থৌদোকশিংসু য়াওখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি তোয়না থোকচিল্লকপদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীদা ফাউবা বিল অমা ওইনা পুথোরকখ্রে। এসেম্বলীগী সেলেক্ট কম্মিটিদা ফাউবা থাদদুনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরগা বিলদু পাস তৌদুনা গভর্ণরগী এসেন্ট লৌরগা এক্ট ওন্দুনা চৎনহনবা হৌখ্রে। অদুগুম্বা এক্ট অদুনি 'মণিপুর মেদিক্যেয়র সর্ভিস পর্সনেল এন্দ মেদিক্যেয়র সর্ভিস ইনষ্টিট্যুসন্স (প্রিভেন্সন ওফ ভাইওলেন্স এন্দ দেমেজ টু প্রোপর্টি) এক্ট, ২০১৫' হায়রিবসি। এক্ট অসি অনাবশিংবু লায়েংলিবা মেদিক্যেয়র সর্ভিসতা লৈরিবা মীওইশিংবু অশোক-অপন য়াওহল্লকপা অমসুং অনা-লায়েংশঙ অদুবু অকায়-অতোয় থোকহল্লকপশিং থিংনবগীদমক অমসুং হায়রিবা থৌদোকসিদা চেন্নবশিংবু চৈরাক পীননবগীদমক শেমখিবনি। চপ চাবা এক্টসিগী মথক্তা 'ইপিদেমিক দিজজ (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স, ২০২০' হায়বা অমসু লৈরি। হায়রিবা এক্ট অমসুং ওর্দিনান্স অসিনা অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং মখোয়গী লায়েংশঙশিংগী মতাংদা অখন্ননা শেন্সগী ৱানি। চৎন-কাঙলোন অসিগী মরুমদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ খক্তংগী ওইবা প্রোভিজন কোকথোং অমসু লৈরি। হায়বদি তৌফম থোক্তবা থবকশিং তৌরকপা, থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোকশিং থোরকহনবশিংবু মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীনবা পেনাল প্রোভিজনশিং লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরি। অদুবু তৌবা য়াদে, তৌরুরবদি চৈরাক ফংগনি খঙনা খঙনা জেনিমসকী থৌদোকসি থোকখ্রে। হন্দক্কী থৌদোকসিদি মীওইবগী থৱায় মাঙহনবা ঙম্বা শাখিরবা লায়না ময়াম লৈরবসু অদুগুম্বা লায়নাশিং অদুগী মনুংদগী অমগা মরী লৈননা থোকখিবা নত্তে। মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোরল্লিবা তমথিরবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ অসিবু অঙম্বা পান্থে পুথোক্তুনা মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা থোকখিবনি। মনুং-মতম চাদনা লৈখিদ্রবী মৌনহা অদুগীদমক্তদি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা মায়োক্নহৌরিবা শেৎন-খায়নবগী অৱা-মৈচাকশিং অদুবু খাঙবা ঙম্নবগী পাঙ্গল-থৌনা পীবিবা ওইসনু হায়নিংই।

অদুবু হোস্পিটালদা লায়েংলকপা, থৱায়গীদমক লান্থেংনরকপা পেসেন্ট অমা ডোক্তর অমসুং নর্সশিংনা কনবা ঙমহৌদ্রে হায়দুনা মখোয়দা ওনশিনবা, অনা-লায়েংদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং থুগাই য়ৈখাইদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপদি অচুম্বা খোঙথাং ওইফম থোকপ্রা? থোক্তে, অদুবু থৌদোকশিং অদু মতুংদা অমুক হন্না থোরকহল্লোই হায়রগদি থৌদোক্তুদা চেন্নবশিংনা লাল্লে হায়জরক্লে, মাঙহন-তাকহনখিবশিং শীংলগে হায়রক্লে হায়রগা হেক্তা তেনশিনবসু চুল্লোই। থৌদোক্তু করিদগী মতৌ করম্না থোকখিব্রনো হায়বদুসু য়েংশিলহৌবা চুমগনি। মরমদু খঙহৌরগদি মতুংদা হন্না থোরকহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎহৌবা, চেকশিনহৌবা য়াগনি। মতাংসিদদি ডোক্তর, নর্স অমসুং লায়েংশঙশিংগী থবক থৌরমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবা 'অফবা অমসুং মীনুংশি য়াওবা হোস্পিটালিটি' হায়বদুগী তঙাইফদবদুসু খন্থহৌবা চুমগনি। পীক্লিবা অঙাংদা মমা-মপানা ইনবা চাক্তুমক ডোক্তর অমসুং নর্সশিংনসু অঙাংদুদা ইনবীবদা মমা-মপাদুদা চেল্লিবা মীনুংশিগী মশক অদুসু চেলহন্নবা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংনসু হোৎনফম থোকই। মসিগী মীনুংশিগী মপাঙ্গল কল্লবা লংলাসিনা পেসেন্টশিংবুসু চেৎনা পুনশিন্নবা হোৎনগদবনি। মরমশিং অসিনা থোকখ্রিবা থৌদোক্তু হৌজিকপুদি য়াশিন্নরে হায়রগসু থোকহল্লকপগী মরমশিংসু থিদোক্লগা থেংনরকপা মরমশিংদু দাইসেক্ট তৌদুনা কুপ্না য়েংথোকহৌবা তঙাইফদে। অপীকপা থৌদোক ওইবদি য়াই, অদুবু অপীকপনি হায়দুনা তোয়না থোকচিল্লক্লগদি অচৌবা থৌদোকশিং ওইরক্কনি। চেন্নরিবা মীওইশিং, হোস্পিটাল অমসুং ডোক্তর, নর্সশিং খক্তদা নত্তনা লায়েংশঙদুদা থৱায় কন্নবগীদমক লায়েংবগী উরুম থিজররিবা মরিসু লৈনদবা, মরালসু লৈজদবা অতোপ্পা পেসেন্টশিংদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নহল্লক্কনি। মসিদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ পেসেন্ট অমা ট্রিটমেন্ট পীবদগী হেন্না লুবা অমসুং লায়েং মথৌ তাবা লায়নানি। মসি হান্না লায়েংথোকহৌবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১) "খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) "মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন" (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে?

৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক "ইবেনবোক্কী ৱারী" (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো?

৪) "ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুনু/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো?

৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী "সিদ্ধার্থ" হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফৰা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ক্লাস টেন, ত্বেলভকী পরিক্ষাসিবু কমদৌবা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৫৭**

**জিতেন নামৈরাকপম**

মালেমগী ওইনা মীশিং য়াম্বদা তোপ পোজিসন্দা লৈরিবা চাইনাগী নহা ওইরিবা মতৈ-মনাওশিংগী ওইবা নুংঙাইরবা পাউ অমা লৈরে। মদুদি চাইনা লৈবাক্তা অঙাং অমদগী হেন্না পোকপা য়ারমদবা অথিংবা থল্লম্বা অদু অঙাং অনী পোকপা য়াহনখ্রবা মতুংদা অঙাং অহুম ফাওবা পোকপা য়ারে হায়না চাইনা গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে। হায়রিবা লৈবাক অসিদা অঙাং য়াম্না পোকপা থিংলম্বদগী মীশিং অসুম অসুম হন্থরক্তুনা মীশিং য়াল্লক্লরোইদ্রা খল্লকপদগী অহুম পোকপদা অয়াবা পীবা ওইরমগদ্রা খল্লি। ইন্দিয়াগী ওইনদি অঙাং অনী নৎত্রগা অহুমনা ওক্লসি হায়বা য়াইফ যূম্বালগী খোল্লাউ লাউজরগসু পোক্লিংবা অঙাং মশীং পোক্লবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অথিংবদি থমদে। মসি হায় হায়দুনসু হৌজিক্তি অঙাং য়াম্না পোকপা কিনরে। মরমদি অঙাং অমা শেন্বদা চঙগদৌরিবা শেল, হেক পোক্লকপদগী চাউনবা হোৎনরকপদগী মপূং মরৈ ফারকপা ফাওবদা থেংনরক্কদৌরিবা প্রোব্লেম ময়াম থথাগী থবক নত্তে। মসিদি মীয়াম পূম্বনা খঙনরবনি। ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুর অসিদসু হায়রিবা পূম্নমক অসি মায়োক্নরিবনি।



হান্না ঙল্লিঙৈগী মতম মীশিং য়াল্লকত্রিঙৈ, ইঙ্খোল চাউরিঙৈ লৌ-শীং মরাং কায়না লৈনরিঙৈদদি চাননবা চিঙ্গাক লেম পানা কোন্নরিঙৈদদি অঙাংসু পংপোক্তা পোক্নরম্মী। খরা চা, খরা থক লৌ-ইঙ্খোলগী থবক খরা শূরগা চহীগী চানবা ফৌ পৈশিন্দুনা থম্নরগা পংলেন্দা লেন্নরম্মী। মতমগী মতুংইন্না থায়নগী চৎনবীদু য়ারক্তবদগী অহোংবা কয়া লাকপদগী অঙাং য়াল্লগা লায়রবা তানবা ওইরকপদগী, অঙাং শেন্বা ঙম্নরক্তবদগী অঙাং য়াম্না পোকপসি মদুদা থেংনরক্কদবা অৱাবা ময়ামদু কিনরকপদগী অঙাং পোকপগী মশীং হন্থনরকপনি হায়বা তাই। অঙাং অমা হেক পোক্লকপদগী ব্রেষ্ট ফিদিং তৌবা হৌরকপা, করিগুম্বদা মমা অদুনা ব্রেষ্ট ফিদিং তৌবা ঙমদ্রগনা মদুগী মহুৎ শিন্নবা লেকত্রোজেন, নেষ্ট্রোজেন, সেরলেক মখল-মখল লৈবদগী হীদাক লাংথক লৈবগী শেল চঙবা অদুম্মক হৌরবনি। হায়রিবা অসি নুপী অদুনা হেক মীরোল্লকপদগী ডাক্তর কন্সর্ন তৌবা চৎপদগীনা অঙাং পোকপা ফাওবগী করিগুম্বদা সী এস তৌবা ওইরগনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লুপা লাখ ফাওবা চঙবগী শেল অদু থাদ্রবনি। অসুম্না অঙাং অদুনা চহী অহুম শুরকপদগী প্রি-নর্সরি, নর্সরি তম্বা হৌরকপা, কেজি ৱান-টুদগী হৌরগা ক্লাস টেন ফাওবা প্রাইভেট স্কুল অমদা তম্বদা শেল কয়া য়াম্না চঙবগে হায়বদু পাবীয়ু। টেন পাস তৌরগা ত্বেলভ ফাওবগী স্কুলগী ফী, ভেন ভরা, স্কুল য়ুনিফোর্ম, থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবা, ট্যুসন ফী মরোল মরোল নাইরবা ইমুং অমদি পুবা থাংবা ঙম্বজাৎ নত্তে। ত্বেলভ পাস তৌরবা মতুংদা টেক্নিকেল লাইন্দা তমহল্লগনা মদুদা চঙবা শেনফম, জেনরেল লাইন্দা তম্লগসু য়ামদ্রবদা দিগ্রী, এম এ, এম এস সী ফাওবা তমথবা ওইরগসু শেলতনা থোং শানা চৎলগা লানগদৌরিবনি। ইশম শম্না হায়রবদা চহী ৩ শুরকপদগী চহী ২০/২৩ ফাওবসি অঙাং অমা লাইরিক তম্বা হৌরকপদগী লোইশিনবা হায়বসি শাংখ্রবা মতমনি। অদুনদি অঙাং অমা মহৈ তমহনবগী লোইশিনবা ফাওবদা য়ামদ্রবদা লুপা লাখ ২০দি চঙই হায়না পাবা য়ারে। মসিদনি অঙাং য়াম্না পোকপা খিরে, ওক্লে, পেল্লে হায়নরিবসি।

চবুন চবুন লৌবা, নর্স খরা, দাক্তর খরা লৌবা, অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংগী পোষ্ট ৫০/১০০ লৌবা অদুগা মণিপুর ষ্টেট পৱারগী কৈরাক থারগা মৈ শেমদোক শেমজিনগী তোলোপ ইয়াম য়ামদবা থানা, পুলিস মচা তোলোপ য়াম্না তাবা অসিগুম্বা থবক খরা লৌখিবশিং নত্তনা অতৈদি ইরৈ লৈতে। অদুনদি মমা মপাশিংনা মচাদু অরৈবা শেল তপ তাবমখৈ হৈথরগা লাইরিক/মহৈ তমহল্লুরগা লৈঙাক্কী হ্বাইট কোল্লর জোব ফংদবগী মৈচাক্লা পূন্না কোক শামিন্নরে। কাঞ্জ থাঙ ওইনা মাঙলে। মরম অসি ওইবনা জাৎ-জাৎ ঙাঙনরকই। অঙাং শেন্বদা শেল য়াম্না থাদরুনু কান্নপোৎ নত্তে। ইবা পাবা হৈহল্লো, মরোল মরী হিন্দি, ইংলিস ঙাঙবা হৈহল্লো, হোয় য়ামদ্রবদা ক্লাস টেন ফাওবদি লালহল্লসিনে। অদুগা মানা মহৈ তম্বদা চঙগদবা চহী চহীগী শেলশিংদু বেঙ্ক একাউন্টতা হাপচিল্লো নৎত্রগা তুংশিল্লো, অরেম্বদা চৎখিগদবা ট্যুসনগী, অদুগী-অদাগী হায়বা শেল ময়ামদু পীথোকপগী মহুত্তা শুম শুম তুংশিল্লকপনা অঙাং অদুনা চহী ২০ শুরকপদদি য়ামদ্রবদা লুপা লাখ ২০/৩০দি লৈরগনি। হায়রিবা শেলদুনা করবার অমা তৌহনবদা অঙাংদু হিংবদি ঙল্লনি। শেন্দোই খক্তং চারগা, সনা বনধান লৌরবা ফাওবদা অঙাং অদুনা শেল তানবা হৈত্রগদি পুরা বুদু হায়বদু তারেকো। হেন্দিমেন ওইরম্বদগী দ্রাইভর কারগা লাইন বস/ত্রক চেনবা খক্তদা গাড়ী ৩/৪গী মপু ওইবা য়াওই। এম এ পাস তৌরগা য়ু বোট্টল কোল্লগা দেবদাসকী টাইপ্তা হিংবা নৎত্রগা নীংবা কায়রে হায়দুনা মপুন্সি লৈখা তানা মাঙখিবসু কোঙ্গাইনি।

ফনা হায়বা শাদুনসু অঙাং লাইরিক তমহন্দবদি য়াদে। মহৈ হৈহন্দবদি য়াদে। হন্দক্কী কোভিদনা মরম ওইদুনা চহী চুপ্পা লাইরিক তম্বা ফংহন্দ্রবসু টেন, ত্বেলভকী পরিক্ষা পাঙথোক্কদৌরিব্রা পাঙথোক্লোইদৌরিব্রা মেন মান তাদ্রে। এগজামিনেসন তৌগদবসু মাল্লি। ককথৎলগা প্রমোসন পীরক্কদবসু মাল্লি। কোভিদনা মরম ওইরগা বোসেম, কোসেম তৌফম খঙদ্রে। ফেব্রুৱারী/মার্চতা পরিক্ষা তৌরগা মে/জুন থাদা রিজল্ট হায়দোকপা মেত্রিক, জুন ময়ায় চন্দোরবা ফাওবা তূমদুনা লৈখ্রে। ত্বেলভসুনি চপ মান্নে। মশা খিংলক্ত্রে, পংথরি। অদু ওইবা তারগদি প্রাইম মিনিষ্টরনা জুন ১দা লাউথোকখিবা (টেনগীদি হান্ননা লাউথোকখ্রে) অসিগুম্না প্রমোসন পীথোক্লে, মহৈরোয়শিংগী পুন্সিনা এগজামিনেসন্দগী হেন্না মরু ওই হায়বসিগী তুংইনবনা হেন্না ফত্তব্রা? কোভিদকী পোজিটিভ মশীং খরা খরা হন্থরক্লগসু নহান ৮২৩দা খংহেন হেনগৎলিবসিনা জুন থা লোইরবা ফাওবদা কোভিদ মুখৎপা ঙমগদবা নত্তে। মরম অদুনা হয়েং চি লাওরবা মতমদা কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোক্কদৌবগী শরুক মাঙজৌননা অঙাংশিংগী তুংগী ওইবা প্রিপরেসন শেমজনবা লাউথোকপীবদি করি কাই। কোভিদ ফবা ঙাইখিনি, চহী অনী-অহুম চঙজসনু, কেন্সেল শুংতৌ তৌরোই হায়না মুক্তুনা অসুম লৈখিবা তারিব্রা? য়ু পি ষ্টেটকীদি প্রমোসন লাউথোকখ্রে। অতৈ ষ্টেট খরসু মথং মথং লাউথোক্লবা শেম শানখ্রে। কান্নদে, অঙাংশিং করিয়র মাঙহনবীদনবা অথুবা মতমদা টেন, ত্বেলভকী প্রমোসন পীবীবনা খ্বাইদগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়নীংই। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ২১

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

নাকল অমরোমদা, ইমাহোয়, অবোকশিহোয়না ঐ লৈরমদবা হেক খঙলকপদগী মখোয় খরনা মায়কৈ চাইথোক্তুনা কোয়থি থিবদা ঐ উবা ফংদবদগী মখোয়দি খঙদবনিনা মফম কৈদা চৎখ্রবনো, মথোং মরম খঙদনা পঙচৎ চৎপদা শানগা চাখ্রবজাৎলা - হংলু হংলুবদা কনামত্তা উহৌই, শোমদা চৎখিবনি হায়বনচিংবা পাউখুম অমত্তা ফংদবদগী কপ্পরগা লৈরম্মী। ঐনদি ইশা খরা নুংঙাইবদগী ৱাখল তানা মফমদুদা হল্লকপা উবদা ইমানা কপ্পা কপ্পা চেনশিল্লক্লগা "ইচা শিরমদ্রেদনা" হায়না কপনোক্লা নঙ কদায়দা চৎলুই হংলকখি। মদুদা ঐনা খোঙ হামনীংমনবদগী কোয়চৎ চৎপদা স্কুলদা তম্মিন্নবা ইমান্নবা অমনা মখোয়সু খঙদে মফমদুদা খোঙ হাম্মী হায়বা মফমদুদা খোঙ হাম্বদা মখোয়না পুরকপা লিক্লিদা ঈশিং পিক থন্না শোক্লগা পীরম্লগা মখোয়দি ময়ূমদা হনগনি হায়না চৎখ্রে। হায়রিবা মফমদুদা ইমানা হায়জবদগী ইমানা তাইবুংঙো হায়না কৌবা লৈকায়গী মাইবা অমনা লা লাতোন যূমদগী পুরকপদুদা চেঙ-লৈ, শেল লুপা চৎপী ১, ধুপ থাউমৈ, লফোইনচিংবা হাপহল্লগা ঐখোয় অহুম ঐনা লম চিংদুনা লাকমিন্নরগা মাইবদুনা কৌব্রু ইপাগী ষণ মরুম শাবা অদোমদা ওল্লগা লাইরোন শোল্লগা কখোল্কল্লগা ঐখোয় ময়াম লৈফমদুদা লাকই। কৌব্রু ইপানা থৌজানবীদুনা ঙাকপীগদ্রা ঙাকপীরোইদ্রা খঙদবদগী ইমাদি (ঐ (মচা) বু কৌব্রু ইপাগী চীংথক্তা শিরগা লৈহৌরদ্রা হায়বা ৱাখলদা মথৱায় ৱাজবদগী ময়াম চাক চাবদু ইচা চাদনা খজিক্তং চারগা তোক্লে। ঐদি ইশা নুংঙাইরমদবদু খরা নুংঙাইরকপদগী ইমাগী শরুক্তুসু য়াওনা চাশিল্লে। মতমদুদদি থোইনা করিসু খল্লুদে। অসুম তৌনা কৌব্রু ইপাগীদা খুরুম্বা য়াবা মফম খরদমক খুরুম্লগা যূমদা হল্লকপা মতমদদি ইশাদা মখল অমত্তগী নুংঙাইতবা, অৱা-অনা নংখিদে। মতমদুদা মুন্না খঙদবা ঐনা (ৱারেংজরিবনা) কৌব্রু ইপাগী অহকপা মতিক ময়াই খঙবা হৌখি। কৌব্রু ইপাগী মশাইগোন্দা লৈরিঙৈদা খনখিবা ইমাগী ৱাখলদু তেক্তা কায়দনা যূম য়ৌরক্লবা কাইনথংদা ইমানা লিথোরকপদগী খঙলকখিবনি। "লাইনা অশেংবা থম্মোয় মশক খঙবি, ঙাকসু ঙাকপী"। "হয়ি হয়া শিদবা, শিদবা মপুনা য়াইফরে।"

কৌব্রুগী চীং অমদি চীংশাং পরেং মৈতৈশিংগী হৌরক্লোনগা শাগোন্নবা য়াম্না মরু ওইবা লাইফমলেননি হায়বসি অরিবা লাইরিশিং হায়বদি চীঙ্গোইরোল, চীংলোন লাই হুই, চীংশালোন, নুংলোন, ইরাৎ লাইশোলনচিংবদা ইরম্বা থেংনৈ। ডা. মঙাংচা থৌদাম লাইবগী ৱারেং "কৌব্রু চীংগোই নৈনবা" হায়বা অসিদগী মচং ওইবা খরা লৌখৎচরগা মতাং মতাংগী নৈনবা খরা হাপচিল্লগা কৌব্রু চীং অমদি মসিগী মসা মরেংশিং করিগী মতম চুপ্পগী ওইনা ঙাক শেন্দুনা থমগদৌরিবনো হায়বগী মরমদা পাবিরিবশিংগী মফমদা মখাগী অসুম্না থমজরি।

কৌব্রু চীংথক্কী থেলদা লৈরিবা ইকোম/লাই কোল/লাই পুখ্রি অসি অচম্বা নত্তে। কৌব্রু চীংদা খুন্দাখিবা লাইয়ামশিংনা শান্নবা তৌখিবা পুখ্রিনি হায়নৈ। মসিদা চহী মতম কয়াদগী লাই অশাংবা অচৌবা লৈ হায়বসি কৌব্রু ইপাবু চেৎনা থাজবগা লোয়ননা নীংজবা মৈতৈগী অখঙ অহৈশিং কয়ানা হায়নৈ। মশা কুকি অমা ওইজরবসু কৌব্রু ইপাগীদমক মথৱায় হকচাং কখোল্লবা মীয়াম্না কৌব্রু য়াইমা হায়না খঙনবা মীয়াই ওইরবা নুপা অসিনসু হন্দক কৌব্রু ইপাগীদা শঙলেন মৈ চাকখিবগী মতাংদা নোংমা কৌব্রু লৈখাগীদা চৎলুবদা ৱারেংজ রিবা ঐঙোন্দা ৱারী শানবগী মতাং অমদা তম্লকখি। মীদি খঙদে, মহাক মশাদি য়াম্না কিজৈ, লম হেনবা য়ারুবপোৎ নত্তে, ইপা কৌব্রুদি লুখ্রবা মতিক হকপা লাইনি হায়না পাউদম্লকখি। ইকোম অসিনা লমতাকফম (লেংদবা মফম) ওইরগা মসিগী অকোয়বা ময়াদা শঙ্গাই যূম্ফম, নূং, কাংথোল, নূংগী শুম্বল, নূংগী য়াঙ্কোক, নূংগী শুক, খোংনাং পান্বী অচৌবা, নোংচুপ্তা নোংথৌ কোংঙা চকলিক মপান থাবা হৌই। নোংপোক্তা লাইকোলগা নক্ননা মীরেন পনয়ানফম নূং থাবা মফম লৈ। মসিগী নোংপোক থংবদা ষণ থোকপা লাইখুন, চীঙ্খৈ পাংবদা ওকপোকপী, মসিগী অৱাং পাংবদা লৈশানু কৌবা নূং লৈবসিদা শামু থোকপা নূং (হায়বদি লাইখুম) লৈ হায়না পল্লি। ওকপোকপীগী নোংপোক্তা সলাইলেন শিদবগী খুভম অমা মতোন অতুম্বা লৈবসিদা ঈশিং অদুম থোকই। সলাইরেনগী মমিংদি নোংখোকলেন নোংনিংথৌ কৌই। চীঙ্খৈ পাংবদা লৈবা ফান্তুপ শাবা নূংজাও অমা লৈবদুগী মথক্তসু ঈশিং থোকই। সলাইলেনগী নূং অদুবু খুনুপোক কৌরগা মদুগী মনাক অনকপদা নূং অৱাংবা অমা লৈবদুদনা য়েন অমদি ঙানু পোকপা নূং লৈ। মতাং অসিদা লন্নাইগী ওইনা থমজনীংবা ওইথোকপা য়াবা ৱাফম অমদি মীওইবশিংনা তাইবঙপানসিদা লৈবা মতমদা মখল মখা কয়াগী থৱায় পানবশিংগা লোয়ননা হিংমিন্নবা/লৈমিন্নবা মথৌ তাই হায়বসিগীদমক অহানবা শন্দোরকফম ওইরম্বসু য়াই। অদুগা লোয়ননা হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা - কাংথোন, শুম্বল, শুক, য়াংকোকনচিংবা মীওইবশিংনা শীজিন্ননবা পোৎলমশিংগী মরমদসু খঙহন্নবা শেন্বীরম্বা মাল্লি।

কৌব্রু ইপা মহাক্তি খোইয়ুম অতিয়া সলাইরেনগী শাওন লাংওন লাইচৎ ওইবা লাইনিংথৌনি। লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মমিংদি মীহিংলেন মীপোকপা কৌএ। মীঙ্খৈদি ঙৌবা কৌএ। মাল্লেচীং হায়না কৌনরম্বা চীং অসিদা চীংঙু খোইয়ুম কৌব্রু লৈখিবদগী কৌব্রু চীং হায়নখিবনি হায়রি। লাইনিংথৌ মহাক্তি য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা কৌনু লাইরেম্বীগী মশাবী মথংলেন্নি। "লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী মতিক ময়াইদি লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনীমকপু পোৎয়াও চৈয়াও শুনা হায়বদি হৈকৎ লৈকৎ, মৈরা মৈনমনচিংবা য়াওনা মচল শুনা ঈরাৎলবদি/কৎচরগা পুনেমজরবদি/থৌনিজরবদি মী শিদে, লৈমা-নিংথৌ পুন্সিএ" হায়নরিবনি। মসিগী মতাংদা অমুক ওইথোকপা য়াবা ৱাহন্থোক্তি - চহী মতম শাংনা পুন্সিনরম্বা অমদি মৈতিংঙু/নিংথৌ ওইনা চহী মতম শাংনা পানবা ঙমগনি হায়বসি ওইরমগদবা মাল্লি। খুদম ওইনা মমাঙঙৈদা নিংথৌ/মৈতিংঙু ওইনা পুন্সিদুনা লৈঙাকলম্বগী চহী মশীংশিংদগী সুম সুম হন্থরকপগুম উই হায়বসিগী অশেংবা ৱাফম মখাদা অসুম্না থমজরি। ●